Culture তোৎলবা মরু অদু উরুমদা কংহনবিগদবনি অমদি য়াম্না থুনা থাদোকপিগদবনি। করিগুম্বা মসুর মরু অদু Insecticide তোৎকদবা ওইরবদি মরু অদু অহানবদা Insecticide তোৎপিগদবনি মতুংদা Fungicide তোৎপিগদবনি অমদি ইরোই লোইবদা Rhizobium culture তোৎপীগদবনি।

## হার:

হার চংবগী চাং অসি লৌফমগী লৈবাক-লৈহাও খেৎনবগী মতুংইন্না খেৎনগনি। মরম অসিনা হারগী চাং লৈবাক-লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতুংদতা লেপ্লিগদবনি। অদুবু করিগুম্বা লৈবাক-লৈহাও চাংয়েং তৌদ্রবদি পরি অমদি 20kg N, 40 Kg $P_2O_5$ অমদি 20 Kg $K_2O$ গী হারগী চাং হাপ্লিগদবনি। মসিগীদমক পরি অমদা Urea ৪৩ kg, SSP ২৫০kg অমসুং MOP ৩৩kg হাপ্লিগদবনি। ২% Urea foilar spray লৈ শাৎপা মতমদা কাপ্পা অসি ঈশিং চনবগী খুদোং চাদবা মফমশিংদদি য়াম্না কান্নে। Sodium Molybdate ৩.৫ g/kg মরুদা তোৎপিরবদি ফৌ লোকত্রবা লৌফমদা থাবা মসুর পাম্বীশিংদা হেন্না কান্নহল্লি।

## ঈশিং চনবা:

মহৌশানা মসুর অসি ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা লৈতবা মফমদা থান্নবা পাম্বীনি। অদুবু মশা লোংঙকপা অমদি মরু চংলকপা মতমদা ঈশিং চনবিবা ওল্লগদি মসুরগী পোৎথোক হেনগৎহল্লি। লৈতানগী ওইবা মফমশিংদা ঈশিং য়াম্না তোইনা চনবিরবদি Vegetative growth হেলহন্দুনা মসুরগী পোৎথোক হনথহল্লি।

## নাপী পেংবা:

লৌ লোকখ্রবা লোইরবা লৌবুকশিংদদি নাপী-শিংবীশিংগী খুদোং চাদবা অসি কয়া থেংনদে। তৌইগুম্বশুং নাপী-শিংবী হৌরবদি থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০ নিগী মতুংদা অমুক্তং পেংবিগদবনি।

লায়না-তিন্নাদগী ঙাকথোক্লবা উপাই:

মসুর অসি Protein য়াম্না য়াওবা মরম্না লায়না-তিন্না তাগল্লি। Dry root rot অমদি Collar rot লমদম অসিদা মরু ওইনা তাগনবা লায়নাশিংনি। অদুগা অমরোমদা মসুর মরু লিবা মতমদা Brucids (Callosobruchus chinesis) না অমাং-অতা থোকহল্লি।

## খাওবা অমসুং য়ৈবা:

মসুর পাম্বী অসি মনানা শিথরক্লবা মতম অমদি কেনশিল্লক্লবা মতম, থরাক্লা হঙ্গাম মপাল মচু চংশিল্লক্লবা মতম, মরুনা কনশিল্লক্লবা মতমদা খাওবিগদবনি। খাওরবা মতুং নুমিৎ ৫-৬ ফাওবা নুংশাদা ফৌরবা মতুংদা য়ৈবিগদবনি।

## মরু লীবা:

মপুং ফানা কংহল্লবা মতুংদা মরু লিবীগদবনি। থা নিপাল ফাওবা তেক্তা-কায়দনা মরু থম্বীগে হায়রবদি মরুদা য়াওবা ঈনিলগী চাং অদু ১০-১২% ফাওবদা থম্বীগদনি। কংহল্লবা মতুংদা মরুশিংদু Polythene-lined gunny bags নত্রগা নিংথিনা শেম-শারবা পাত্রাশিংদা থম্বীগদবনি। Polythene-lined bags শিং অদু উচি লৈতবা কাদা অমদি উপাক্কী মথক্তা অমদি ফক্লাংগা লাপ্পা থম্বীগদবনি।


*Prepared by*

**Dr. Sakhen Sorokhaibam**

**SMS-Agronomy**



*Pubilshed by*

**Krishi Vigyan Kendra**

**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Designed & Printed at:*

S.K. PRINTERS WORKS, NAMBOL, MANIPUR


# ‘কালেন লৌরোক লোইরবা মতুংদা হৱাই মসুর / মুসৌরী থাবা’




*Published by*

**Krishi Vigyan Kendra**

**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Website:* www.kvkbishnupur.com *Email:*kvkbishnupurdistrict@gmail.com

Publication Year: 2024 Leaflet No: 2406

## ‘‘কালেন লৌরোক লোইরবা মতুংদা হৱাই মসুর/মুসৌরী থাবা’

হৱাই মসুর/মুসৌরী হায়বা অসি মালেমগী ওইবা মরুওইনা থাননবা হৱাই মখল অমনি । হৱাই মখল অসি মালেমগী লৈবাক মফম কয়াদা থানৈ । ভারতনা অনিশুবা খ্বাইদগী য়াম্না হৱাই মখল অসি পুথোকপা লৈবাকনি । ভারত্তা পাম্বী অসি লম ১.৫৫ মিলিয়ন হেক্তরদা থাই অমসুং ১.৬১ মিলিয়ন টন হৱাই পুথোকই । পোথোক্কী চাংনা পরিদা কিলো ১,০৩৪ নি ।

হৱাই মসুর হায়বসি Carbohydrate, Protein, Vitamin অমদি Mineral গী মচল শুনা য়াওরবা হৱাই মখল অমনি। মসুর হৱাইশিংগী মরক্তা Protein গী শরুক য়াম্না য়াওরবা হৱাই মখলনি। ফৌ, গেহু, চুজাক্রুচিংবা Cereal কাংলুপকী মনুং চনবা পাম্বীশিংগা হৱাই মসুরগা চাংদম্নবদা চনাংগী শরুক (Carbohydrate), Protein অমদি Dietary fiber গী চাং হৱাই মসুরদনা হেন্না য়াওই।

Protein গী চাং অসি Cereal শিংদগী মসুরদনা শরুক ২ দগী ৩ ফাওবা হেন্না য়াওই। (২০.৬ - ৩১.৪%)। Protein দা য়াওরিবা Essential amino acid lysine অসি Cereal শিংদসু (২.৮ গ্রাম/১০০ গ্রাম) য়াওই অদুবু চাংদম্নবদা হৱাই মসুরদনা হেন্না য়াওই (৭.০ গ্রাম/১০০ গ্রাম)। মতৌ অসুম্না Dietary fiber গী চাং অসি Cereal অমদি অতোপ্পা হৱাইশিংদগী চাং হেন্না য়াওই। হৱাই মসুরদনা ১৮.৪% Dietary fiber য়াওবা মতমদা গেহুদা ১২%, ফৌদনা ২ - ৪% অমদি অতোপ্পা হৱাইশিংদনা খুদম ওইনা হায়রবদা হৱাই থরাক্তা ৫.১% য়াওই। অসুম্না fiber গী চাং য়াম্না য়াওবা অমদি Glycemic Index (G.I.) গী চাং নেম্না য়াওবা মরম্না চাক তোক্লবা মতুংদা Blood sugar level য়াম্না থুনা হেনগৎলকপদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

হৱাই মসুরদা Fat কি চাং ৩.৮% ফাওবা য়াওই। Iron গী চাং য়াওবসু হৱাই মসুরদনা অতৈ অতোপ্পা হৱাইশিংদগী হেল্লি। Vitamin (B1, B2), Ascorbic acid, Niacin অমদি Folate চাং য়াম্না য়াওই। Vitamin B1 অমদি B2 অসি Colorectal Cancer গী লায়নাদগী হস্থহনবদা মতেং পাংই। নৌনা থিজিন-হুমজিনবদা folate য়াওবা মরমনা ঈগী খোংজেন্দা Cholesterol চাং হস্থহনবদা মতেং পাংই।

হৱাই মসুর অসি পাম্বী ওন্না-ওন্নানা থাবা মফমদা মরুওইনা Cereal শিংগা তোইনা থানৈ। মসিনা চহি চুপ্পা পাম্বী মখল অমখক থাবদগী ওইরক্কদবা লায়না-তিনাদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। হৱাই মসুর থাবনা নুংশিত্তা য়াওবা Nitrogen বু ফাজিন্দুনা লৈবাক-লৈহাও ফগৎহনবা ঙম্মী।

হৱাই মসুরগী দরকার ওইবা মরুওইবা মচিঞ্জাক Nitrogen গী চাং চাদা ৪০%গী Symbiotic nitrogen fixation দগী ফংই অমদি নুংশিত্তগী Nitrogen ৭০-২৪০ kg/ha ফাজিনবা ঙম্মী। মসি থাবনা Nitrogen গী শরুক চাং য়াম্না লৈপাক্তা ফাজিনহৌবা মরমনা (N 70-210 kg/ha) থংনবা লৌরোক্কী লৈবাক লৈহাও ফগৎহল্লী। মসি থাবনা Organic matter গী চাংসু য়াম্না লৌফমদা ফাজিলহৌবনা লৈবাক-লৈহাওবু মশা-মউ ফহনবা অমদি লৈহাও চেলহনবদা মতেং পাংই। হৱাই মসুর অসি মরা শাংনা চৎপা মরম্না লৈনুংদগী ঈশিং চিংখৎপা ঙম্মী। মরম অসিনা পাম্বী অসিনা ঈকং থোকপা থৌওংশিংদা খাংদুনা হৌবা ঙম্মী।

### হৱাই মসুরগী মখল:

চাথোক লৈবা হৱাই মসুরগী Variety IPL 11-6 অসি নুমিৎ ১১০-১১৫ ফাওবদা লোকপা য়াই। Variety অসি পরিদা কিলো ১,৪০০-১,৫০০ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী। Variety অসি root rot moderately resistant ওই অমসুং wilt তা tolerant ওই।

### হৱা-নুংশিৎ:

অইংবা নিংথম থাগী মতমদা হৱাই মসুর অসি থানৈ। মসিনা অইংবা, অকংবা অমদি লৈচিল-নোংফাই চেন্দবা ঈশিং-নুংশিৎপু পামই।

### অঈং-অশা:

অয়ুক নুংথিলগী অশাংবা অমদি ঈশিং মনি ফংবগী চাং অসি মরুওইনা লৈ শাৎপগা য়াম্না মরী লৈনৈ। লৈ শাৎপা মতমদা অইং-অশা নেম্না অমদি অয়ুক-নুংথিল মতম হেনশিল্লকপা ওইরবদি লৈ শাৎপদা থেংথহল্লী। হৱাই মসুর অসি মরু চংলকপা মতমদা য়াম্না শাবা (Maximum daily temperature > ৩৫°C) অমদি য়াম্না ইংবা (mean of maximum and minimum daily temeprature 15°C) অইং-অশাগা চুনদে। য়াম্না শাবা অমদি য়াম্না ইংবা অইং-অশানা লৈ কেলহল্লী অমদি মরু চংবা হস্থহল্লি।

### থাবগী মতম:

হৱাই মসুর অসি কালেন লৌরোক লোইরবা নিংথমগী মতম (Oct.-Nov.) দা থানৈ। থেংনা (Dec.-Jan.) দা থারোইদবগী মরমদি মরু চংলকপা মতমদা থেংনা থাবা মসুর পাম্বীনা ঈশিংগী খুদোংচাদবনা (Moisture Stress) অমদি অইং-অশা ৱাংখৎলকপনা চাথোক হস্থহল্লি অমসুং মরু ফংহন্দে।

### লৈবাক-লৈহাও:

হৱাই মসুর অসি লৈঙোই অমিদ লৈতানগী মফমশিংদা মপুং ফানা হৌবা ঙম্মী তৌইগুম্বসুং ফোলী তাবা মফমশিংদনা হেন্না চানৈ। লৈবাক্কী অশিন-অরাক্কী চাংনা ৫.৫ - ৮ ফাওবদা হেন্না চান্নে। ঈশিং য়াম্না তুংদুনা লৈবা মফমশিংদদি মসুর থাবা পক্লদে।

### থাফম শেম্বা-শাবা:

মসুর পাম্বী অসি য়াম্না হোম-হোম লাওদবা লৈবাক-লৈহাওদা থাবা চানদে। মথক থংবা লৈবাক্কী লৈরোল অদু কল্লবদি পাম্বীনা হৌগৎলকপা অমদি মপুং-মরৈ ফারকপদা খুদোং চাহন্দে। মরম অসিনা থাফম লৌবুক অদু ফজনা খোইদোকপীগদবনি অমদি হোম-হোম লাওহনবীগদবনি। মসুর পাম্বী থাদ্রিঙৈগী মাংওইননা লৈরম্বা পাম্বীগী লেমহৌবশিং নিংথিনা লৌথোকপীগদবনি নত্রবদি মসিনা মহিক-মতাইগী হৌরকফম ওইহনদুনা পাম্বীগী লায়না মরুওইনা Collar rot root disease অসি শন্দোকই।

### থাবা:

মহৌশানা মসুর পাম্বী অসি তুংশিন্দুনা লৈহৌবা লৈবাক্কী ঈনিলদা থানৈ। অদুবা ফংলিবা লৈবাক্কী ঈনিল অদুনা ময়োল চোংহনবদা মপুং ফারোইদবা ওইরবদি থাদ্রিঙৈগী মাংওইননা ঈশিং অমুক্তি চনবীগদবনি।

### থাবগী অরুবা:

হৱাই মসুর অসি থাবা মতমদা য়ারিবা মখৈ ঈনিল ফংবা লৈবাক্কী মফমদা লুনা থাবিগদবনি।

### অরাপ-অরাও:

মসুর পাম্বী অসি থাবা মতমদা পরেং নাইনা থাবীগদবনি। পরেং অমগা-পরেং অমগা 30 cm অমদি পাম্বী অমগা-পাম্বী অমগা লাপ্পবগী চাংনা 2-3cm ওইগদবনি।

### মরু চংবগী চাং:

Variety খেন্নবগী মতুং ইন্না থাবগী মরু চাং খেন্নগনি। পরি অমদা য়ামদ্রবদা 80kg দি মরু থাবদা চংগনি।

### মরুদা হিদাক তোংপা:

থাদ্রিঙৈগী মাংওইননা মসুর মরু অদু লৈবাক্তগী শন্দোক্কনবা লায়না তিনাদগী ঙাকথোক্লবা Fungicide (2g. thiram + 1g Carbendaxim) মরু কিলো অমদা তোংপিগদবনি। মসুর অসি অহানবা থাবা লৈবাক্কী মফম ওইরবদি চান্নবা Rhizobium গী Culture গা মরুগা তোংপিগদবনি।